থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ষ্টেফেন হোকিংস লৈখিদ্রে ...

কুনশুবা চহীচাগী খ্বাইদই মমল লৈবা (অতাঙবা) ব্রেন'নি হায়নবা 'ষ্টেফেন হোকিং' গী মরমদা ঐনা ইহান হান্না পাখিবসি, চহী কুনমুক্কী মমাংদা, 'রিদর্স দাইজেষ্ট' কী ইশ্যু অমদনি। থা অমদি চহী করম্বনো কাউখরে। থিরুরদি লৈরমগনি, ঐনা লুনা থমজিনখিবনি। মার্চ ১৪, ২০১৮, মহাক্না তাইবংপান থাদোকখিবা নুমিৎ, ঐনা দিল্লিদা থুংলবদা তাবা অহানবা পাউ অমনি - 'কেমব্রিজ য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর ষ্টেপেন হোকিং ঙসি অয়ুক অঙনবদা লৈখিদ্রে, মশাগী চহী ৭৬ শুখরে। দিল্লিদা লৈখিবা ইনাও অমনসু ফোন তৌরকই, 'তামো' তামোনা য়াম্না পামজবা সাইন্তিষ্ট স্তেফেন হোকিংদু শিরে।



অশিবা হকচাং অমগা শাগোন্নবা পুন্সি, হিন্দি লোন্দা জিন্দা লাস, হায়বদুমক্কি ইংলেন্দগী ওক্সফোর্দতা ১৯৪২ জান্যুৱারি ৮ দা পোকখিবা ষ্টেফেন ৱিল্লিয়ম হোংকিংগী পুন্সি। মমা মপা অনীমক দোক্তর ওইবা ষ্টেফেন, মশাগী চহী ২১ শুরকপদা দোক্তরশিংনা হায়খি - চহী অনীদগী হেন্না হিংলরোই। 'মোতোর নিউরোন দিজিস' হায়বা অতাঙবা মখলগী লায়না অদুনা নাবনি। মীওইবগী পুন্সিদি লাইবক্না তম্বনি হায়বসিদা থাজদবা হোকিংনি। দোক্তরশিংনা থাবা মতমদুদা (মশাগী চহী ২৩ শুবদা) 'জেন ৱাইল্ড'গা লুহোংখি। মপারী অনী, মমোম অমা ফংজখি। হকচাং অদু তপ্না তপ্না শিথরক, লেঙ-ওৎপা, ৱা ঙাঙবা ঙম্লকখিদে। চাক-লাপ্লে, খৌরাংলে নৎত্রগা তুম্নীংলে - হায়জবা ফাও ঙম্লকখিদে। মেছিনগুম চোকথবা নাইদবা খোঙলোয় (সেবারি) অমা মথৌ তারকপদগী, মশাবী ইবেন্মা জেন ৱাইল্ড মঙোন্দগী লাপথোককখি। লায়নাদুনা শোক্লমদবা তাঙলবা ব্রেন অদুখক্তং কন্নবা, ৱারী শানবা য়ানবা, পুক্নিংগী ৱাফম ফোঙ'ঙম্নবা অখন্নবা কম্প্যুটর অমা পুথোককখি। ভোকেল সিন্থেসাইজর অমগী মতেঙনা কম্যুনিকেত তৌরকখি। ঐনা পাখিবা আর্টিকলদুগী মতুংইন্না, মহাক্কী কাংখোং পানবা চ্যেয়রদা পানবা কম্প্যুটর অমদি ভোকেল সিন্থেসাইজর অদুনা ৱাহৈ লীশিং তরা পাবা খঙবা ঙমদি ঙাঙবা ঙম্মী।

ষ্টেফেন হোকিংগী পুন্সি অঙকপনা থল্লি। মমা-মপানা দোক্তর ওইহন্নিংবদু মশানা মেথমেটিক্স পামজবনা তম্মু য়াখিদে। অঙাং ওইরিঙৈ তম্লকখিবা স্কুলদুদা মেথমেটিক্স তম্বগী খুদোংচাবা লৈতবনা ফিজিক্স ওইনা তম্লকখি। ফিজিক্স-মেথমেটিক্সকা নক্নবা সবজেক্ট অমনি। মেথমেটিক্স ক্লাসতা ওজানা তাকপা পারাদু খোয়জংনা তাদবা, থওইদবদু উবদা ওজাদুনা হায়রকখি, 'ইবুংঙো! ক্লাসতা পূক্নিং চঙদ্রবদি ঈংনা মপান্দা থোক্লগা কদায়নো'মকা পোত্থারুচো, মথঙগী ক্লাস ঙাইবা ওইনা।'

-'ওজা! ওজাগী ক্লাসতা পূক্নিং চঙদবা নত্তে। ওজানা লান্না তাক্লগা করম্না তাও হায়রিবনো?'

অঙাংদুগী ৱাহৈদু অচৌবা চেল্লেঞ্জঅমনি। মতমদুদা ষ্টেফেন চহী ১২ মপুম ফাদ্রি।

'মাই বোয়! ঐনা তাক্লিবা সোল্যুসন অসি মালেম সীন্না য়ানরবা, স্কুল খুদিং তম্বীরিবদুনি। ঐনা তাক্লিবসি লাল্লবদি অচুম্বদু করিনো উৎলো লাউ।'

ষ্টেফেন্না চঙশিন্দুনা ব্লেক বোর্দতুদা উৎখি - লাল্লিবদু কদায়দনো। অচুম্বা সোল্যুসন অদু করম্বনো হায়বদুসু ময়েক শেংনা উৎথোকখি। পূমঙক ঙকখি ওজাদু। অঙাংদুদা চেল্লেঞ্জ তৌবা ঙমখিদে। মথঙগী নুমিত্তা য়ুনিভর্সিতি-সিনেততা পুথোক্তুনা নৈনখি। ষ্টেফেন হোকিংসকী চেল্লেঞ্জ অদু কনানসু সীংনবা ঙমখিদে।

অসুম্না হৌখি - লাইপোক অমগী পুন্সি খোঙচৎ। নুমিৎ অদুদগী, মাগী পুন্সি লোম্বফাও কেমব্রিজ য়ুনিভর্সিটিনা ষ্টেফেন হোকিংসপু থাদোকখিদে। নৌরিবা চহী মতাঙদুদা মালেমগী য়ুনিভর্সিটি কয়াদা 'ভিজিতং লেকচরর' ওইনা লেকচর পীবা চৎহনখি।

মহাক্না হায় ... 'ঐগী পুন্সি পান্দমদি ইচম চম্মী, অমখক্তনি- তাইবংপান (য়ুনিভর্স) অসিগী মরমদা খঙফম থোকপদু খঙদোকপা ... মসি কমদৌনা লৈরিবনো, করিগী লৈরল্লিবনো... হায়বা অদুখক্তনি।' মহাক্না থাজে - তাইবংপানবা অসিদা লৈরিবা নুমিৎ-থা-থৱানমিচাক পূম্নমক লো অমগী মতুংইন্না লৈরিবনি। অতিয়াদা লৈরিবা থা-থৱানমিচাক পুম্নমকসিগী মরমদা খঙননবা টেলিস্কোপকী মতেঙ লৌরগা নৈনবা, হোকিংসনা য়াদে। মেথমেটিকল থিওরি খক্তগী মতেঙনা য়ুনিভর্সসিবু খঙ'ঙমগনি। অদুগা, মহাক্কী থোইদোকপা মতৌ অমনা - অরুবা সাইন্টিফিক থিওরিশিংদু সাইন্টিফিক লেঙ্গুয়েজদা নত্তবা- মীচম অমনা খঙবা ঙম্বা লোন শীজিন্নদুনা ইথোকপা ঙম্বা অসিনি। কোপী মিল্লিয়ন তরা হেন্না য়োনখ্রবা মহাক্কী লাইরিক 'এ ব্রিফ হিস্তরি ওফ তাইম' (মতমগী শন্নপ্পা ইতিহাস অমা) অনা ফাওরিবসি 'সিদনি। 'দি থিওরি ওফ ইভরিথিং' (হীরম খুদিংমক্কী হৌরক-ৱারোল) হায়বা লাইরিক্তুসু মসিনি- অপাবা খুদিংমক্না খঙবা ঙম্বা লোন।

লাইপোক অসিগী মরমদা লীনরিবা, তানরবা ৱারী ময়ামসিগী মথক্তা পুমতোপ তোপ্পা, মীনা লীনদবা ৱারী অমা লৈ। মহাক্কী প্রাইভেত-রুম (লন্নাই পোত্থা-কা) অদুগী থোঙজিন্দা, চীনবান্দা খুদোম্বী থম্বা 'তূমিন লৈনবা সিম্বোল' অমা থেৎলি হায়। সিম্বোলদুগী মখাদা ৱাহৈ পরেং অমা ...'তুমিনলৈয়ু, ঐখোয়গী বোস পোত্থারি'...। পর্মিসন ফংদুনা চঙলবা মতুংদা উগনি, মহাক্কী ফমফম 'কাংখোং পানবা চৌক্রি' (হ্বীল চ্যেয়র) দুগী তুংমক্তদা, ফক্লাংদা 'মেরিলিন মোনরো' (হোল্লিৱুদ সেক্স সিম্বোল) গী নীংথিজরবা 'ফি থোংদবা ফোতো' অমা থেৎলমগনি। উবদা ঙক্লোইদবা কনানো? করিগীদমক 'মোনরো'? হংলুরবা, খুম্লক্কনি...'নুপী! নুপী হায়বসি অঙকপা খুৎশেম অমনি... মেরিলিন মোনরো, ফজবগী মপূম ফারবা (পর্ফেক ওইবা) শক্তমনি'...।

মীওইবগী পুন্সি হায়বসি তম্বা ঙমদবা ঙাক্তনা থনবনি। পুন্সিদা থোকপা থৌদোকপু হান্না তমখ্রবা ঙাক্তনি- করম হায়গদৌরিবা! ষ্টেফেন হোকিংসন্না চেৎনা থাজখিবা ৱাফমদি -'মীওইনা তৌফম থোকপা খুদিংমক হিংলিঙৈ পুন্সি মতেকসিদা তৌবা ঙম্লল্লবদি মমাঙগী মীরোল অদুনা হান্না তৌরম্লগদবনি ... হৌজিক ঐখোয় তৌগদবা য়াম্না ৱাৎলি ...' হায়বসিনি। চহী মিল্লিয়ন কয়া হিংলক্লবা, মিল্লিয়ন কয়াসু হিংখিগদবা মালেমসি, হৈ শিংলবা মীওইবনা চহী চাম'দা লোইশিনগদৌরে - হোকিংসন্না কন্না ৱাজখি।

লৌশিং পুক্কে

# নোংজু থা মতমদা মীৎকী মতাংদা চেকশিনগদবা

নোংজু থা মতমদা মীৎকী লৌনগনবা লায়না কয়া শন্দোরকপা য়াবা মরম্না মীৎ ঙাঙবা, পোমখৎলকপা নৎত্রগা শারি-শারি লাউরকপা তারবদি তরাইনা লৌরোইদবনি হায়না হেল্ঠ এক্সপার্ট শিংনা ফোঙদোক্লি। নোংজু থা মতমদা কঞ্জংটিভাইটিস, কোর্নিয়ল অলসর নৎত্রগা ষ্টাইগী লায়চৎ হেক হেক শন্দোক্কনবা মরম্না মীৎ খজিক্তং নুংঙাইরক্তবদা ওফথালমোলোজিষ্ট অমদা য়েংথোকপা মথৌ তাই।



ওফথালমোলোজিষ্টশিংনা হায়খি, কালেনথা মতমদা নুংশাগী মৈশানা খাঙবা ঙমদবমখৈ ওল্লাংবা ফাওহল্লবা মতুংদা কুমগী নোং চুরকপদা মীপুম খুদিংমক হরাওনৈ। অদুবু নোংগী ঈশিংনা মখল কয়াগী লায়না পোকহল্লকপা য়াই হায়না মীওই অয়াম্বনা খঙনদে।

নোংজু থাদা তোয়না মায়োক্লবা লায়নাশিংদি কঞ্জংটিভাই-টিভাইটিস, ষ্টাই, মৈবোমাইটিস, দ্রাই আয় অমসুং কোর্নিয়ল অলসর অসিনচিংবনি।

সেন্টর ফোর সাইট (সী এফ এস) কী চ্যেরমেন মনিপাল সচদেবনা হায়খি, মীৎ তাঙহনবা য়াবা মরম্না কোর্নিয়ল অলসর হায়বসি খুদোংনিংঙাই ওইবা লায়না অমনি। ভাইরেল, বেক্টেরিয়ল নৎত্রগা ফঙ্গেল ইনফেক্সনন্না থোকহল্লকপা কোর্নিয়ল ইনফেক্সনন্না মীৎ ঙাঙবা, মীৎ নাবা, মীৎতগী মহী তারকপা অমসুং উবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থহল্লকপা মরম্না কনাগুম্বা মীওই অমবু মীৎ তাঙহনবা য়াই।

নোংজু থাদা খ্বাইদগী তোয়না মায়োক্নবা মীৎকী লায়নাদি কঞ্জংটিভাইটিসনি। হায়রিবা মতম অসিদা কঞ্জংটিভাইটিসকী চাং চাদা ৩৫ দগী চাদা ৪০ ফাওবা হেনগৎলকই। মরুওইনা অঙাংশিংদা খুদোংচাদবা অসি হেক হেক মায়োক্লে। লায়না অসিগী মতাংদা মহিপাল সচদেবনা হায়খি, মীৎকী অঙৌবা অমসুং অমুবা শরুক্তা কঞ্জংটিভা কৌবা অপাবা কুয়োম অমনা কুপ্পী। হায়রিবা কুয়োম অদুদা ইনফ্লেমেসন তৌবদগী ঙাংশঙ ঙাঙশিল্লকপবু কঞ্জংটিভাইটিস কৌই। উফুল-ৱাইফুল, হীদাক-লাংথক, কোসমেটিক্স নৎত্রগা কন্টেক্ট লেন্সনা এলর্জি তৌহনবদগী খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপা য়াই।

নোংজু থা মতমদা লৌখৎকদবা মীৎকী চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা হায়খি, খুৎ-শা, ফিরোল অমদি তোয়না শীজিন্নবা পোৎলমশিংদগী লৌনরকপা য়াবা মরম্না অতোপ্পা মীওইগা ফদি-ফিরোল অমদি অতৈ পোৎলমশিং খক পুল্লোইদবনি।

নোংজু থা মতমদা মীৎ ইকং-কংলবদি তরাইনা খক লৌরোইদবনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকখি। দিল্লিগী ওফথালমিক সর্জন রিটিকা সচদেবনা হায়খি, কম্প্যুটর অমদি স্মার্টফোন শীজিন্নবগা লোয়ননা এয়র কন্দিসনগী কা মনুংদা লৈবনা মীৎ ইকং-কংবগী খুদোংচাদবা ওইহল্লকই। মসিনা মরম ওইরদুনা মীৎ শারি-শারি লাউবগা লোয়ননা ময়েক শেংনা উবা ঙম্লক্তে অমসুং মীৎ নুংঙাইরক্তে। পুম্নমক অসিগী মথক্তা মীৎকী ওইল গ্লান্দদা ইনফেক্সন তৌবদগী মীৎপান পোমখৎলকই। মসিনা মরম ওইরদুনা মীৎ ঙাঙশিল্লকপগা লোয়ননা নাই চারকই।

নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবদি অনৌবা ভাইরস মখল অমনা মীৎকী লায়না ওইহল্লকপগী খুদম থেংনবগী মতাংদনি। মুম্বাইদা লৈবা অদিত্যা জ্যোতি আয় হোস্পিটালগী চ্যেরমেন অমসুং মেদিকেল দিরেক্টর এস নাত্রাজননা হায়খি, এদিনোভাইরস কৌবা কঞ্জংটিভাইটিস ভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন অমা থেংনবা মরম্না মপুং ফাবা ভাইরোলোজিকেল ষ্টদি অমা চথুবা মথৌ তাই।

কঞ্জংটিভাইটিসকী কেস অয়াম্বা এন্টিবাইওটিক্স শীজিন্নরগা চয়োল অমগী মনুংদা ফহনবা ঙম্মী। অদুবু কনাগুম্বা মীওই খরদি মতম শাংনা লায়েংবগী মথৌ তাবা য়াওই।

লায়না অসি মীওই অমদগী অতোপ্পা অমদা ইরায় লায়না শন্দাকপা ঙম্বা মরম্না মীপুম খুদিংমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। কনাগুম্বা অনাবা মীওইশিংনা লায়না অসি অতোপ্পদা শন্দাকখিদনবা অনোক অমা উপকদবনি অমসুং লু-নানবগী হৈনবী থমগদবনি।

লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংদি, মীৎতা খুৎনা খক শোক্লোইদবনি; লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিং অমসুং সাপোন শীজিন্নরগা খুৎ-শা তোয়না হামদোক্কদবনি; মীৎতগী মহী তারক্লবদি লশিং মচেৎ অমনা শেংনা তৈথোক্কদবনি অমসুং মদুগী মতুংদা খুৎ হামদোক্কদবনি; মোম্পাক ফিদক, মোনখুম অমদি টাৱেলনচিংবা পুম্নমক ঈশিং অশাবদা সাপোন নোইরগা শুদোক্কদবনি; মীৎতা মেক-অপ তৌরোইদবনি; অতোপ্পা মীগা মীৎকী মেক-অপ পুল্লোইদবনি; ফদি-টাৱেল খক পুল্লোইদবনি; অনাবা মীৎ নাম্মদা হাপ্পুবা মীৎকী হীদাক (আয় ড্রোপ) অদু অতোপ্পা নাদবা নাকলদা হাপলোইদবনি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা খুৎ-শা শেংনা অমসুং তোয়না হামদোকপা খক কাউরোইদবনি।

# কুমজা ২০১৫ দা শঙ্গাখিবা মোইরাংগী খোয়োল কৈথেল ঙসিদগী ফম্বা হৌখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস):

কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নরম্লবা মোইরাং লমখাইদা শাবা খোয়োল কৈথেল ফমদনা লৈরকপা অদু ঙসিদগী কৈথেল ফম্বা হৌহনখ্রে।

কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বর ৬ তা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা কেবিনেট মিনিষ্টর কয়া য়াওনা খোয়োল কৈথেল অসি শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখি। খোয়োল কৈথেল অমদি মোইরাং পাৎলৌ লৈকাইদালৈবা ঙা ঙাক্তগী কৈথেল অসি লোক্তাক মোর্দন ফিস মার্কেট য়াওনা ঙসি মোইরাং ম্যুনিসিপা- লিটিগী চ্যেয়রপর্সন অমদি ভাইস চ্যেয়রপর্সন্না লুচিংদুনা কৈথেল ফমহনবা হৌখ্রে।

মোইরাং লমখাইদালৈবা খোয়োল কৈথেলগী পোৎফম অমদি দুকানশিংদা শো শীন্নবগা লোয়ননা থোঙ হাংদোকহন্দুনা কৈথেল ফম্বা হৌহনখি। কৈথেল অদুগী দুকানশিং থোঙ হাঙহনবা অদুদা কাউন্সিল অসিগী ৱার্দ নম্বর ৪ গী কাউন্সিল্লর এন ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা, শেল কয়া চঙনা লমদম অসিবু চাউখৎ মায়কৈদা পুরক্ন বগীদমক্তা কৈথেল অনীসি মতমগা চুনবা মওংদা শাখিবনি। খুদোংচাদবা খরদগী শঙ্গারবসু কৈথেল অসি ফমদনা লাকখিবনি। অদুবু ঙসিদগী ফম্বা হৌনবা হায়দুনা লাইগী ওইবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা থোঙ হাংহন্দুনা ফমহনখিবনি।

কৈথেল অসি হাঙদোক্লবনিনা হান্নগুম্না মীয়ামদা কান্নবা পীবা হৌরগনি। ঙসিগী নুমিৎ অসিদগী কৈথেল অমদি দুকান মপুশিংনা চাং নাইনা ফম্বীদুনা লমদম অসিবু চাউখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি। ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনবা তঙায়ফদে। মসিগা লোয়ননা থা থাগী কার্দ হোল্ডরশিংগী থিফম থোকপা টেক্সশিংসু খোমগৎপা হৌরগনি। কাউন্সিলনা হোৎনজরিবা অসি মপান লমগা চাংদম্নবদা চাউখৎপা হেন্না পুরকপা ঙম্নবা হোৎনবনি। চাউখৎপা টাউন অমা ওইনবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদা মোইরাং থোইবী অউন কৈথেলদা ঙা য়োল্লিবা, ঙায়োনবী খুদিংমক্না লোক্তাক মোর্দন ফিস মার্কেটতা ঙা য়োনবীনবসু আপিল তৌখি।

# কুমসি চহীগী চৈথাবা মোইরাংথেম য়াইমনা ওইরে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস):

সনা কোনুংগী মশিলগী মনুং চন্না লৈবা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগী কুমশি চহীগী চৈথাবা মোইরাংথেম য়াইমা মৈতৈনা পুবগী থৌরম উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা ঙরাং চৈরাওবা নুমিৎতা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা লুচিংদুনা পাঙথোকখ্রে।

মমাং চহীদা চৈথাখিবা নিংখৌখোংদগী ওক্রম য়োইহেনবনা পুরম্বদগী কুমশি চহীগী ওইনা মোইরাংথেম য়াইমা মৈতৈ (৮৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা মোইরাংথেম তোনদোন, সুগু ময়াই লৈকাইনা পুবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। হন্দক্কা থারগা চৈথারিবা অসি ৫৩৫ শুরে।

থৌরম অসিদা মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখিবদা, চৈরাওবা থৌরম অসি লৈবাক্কী, ইরমদমসিগী ওইনা চহী হৌবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসি মরুওইনা মৈতৈশিংগীদি ঙমজবা অথেনপোৎ লাইনিংথৌদা কৎচরগা নিজবনি। মসিগা লোয়ননা অঙম্বা মথেল থোংদুনা কৎপা চহী হৌবা থৌরমনি। চহী হৌরে হায়বসি খঙননবা ঙল্লিঙৈ মতমগী নিংথৌরোলশিংনা পানা মরি হায়বদি লাকপা মরিনা পানা মরিদা খোকৱাগী মতোনদা শরিক য়াল্লগা ঙসিদগী চহী লোয়রে। হয়েংদগী চহী হৌরগনি হায়না পাউ শন্দোক্লবা নিংথৌনা থাদুনা পাউজেল শন্দোক্লম্মী। অদুবু মৈদিংঙু কিয়াম্বগী মতমদগী খোকৱাদা শরিক য়াল্লগা লাউরম্বা অদু তোকহল্লগা মী অমখক্না পুহনবনি। চহী অমগী অহৌবা নুমিৎ চৈরাওবা নুমিৎ অসিদা মী অমনা লৈবাক্কী মহুৎ শীন্দুনা অৱা-অনা পুম্নমক পুবা অসি চৎনবা হৌখি।



মৈদিংঙু কিয়াম্বা মতমদগী পুবা হৌরকখিবা চৈথাবা ওইখিবা হিয়াংলোই হঞ্জবা হায়বসিনা ইহানহান্না চৈথাবা ওইখি। চৈথাবা হায়বসি চৈ পায়দুনা লাউরম্বদগী থাদোক্লে হায়দুনা চৈথাবা কৌরম্বনি।

মতমদুদগী ঙসি ফাওবদা তৎপা কাংবা লৈতনা চথরক্লি। হিয়াংলোই হঞ্জবনা চৈথাবা মতমদগী ঙসি ফাওবদা পুল্লপ্না চৈথাবা অসি ৫৩৫ শুবনি। অদুনা মোইরাংথেম য়াইমনা কুমসি চহী পুরিবা অসি লৈবাক্কী অৱা-অনা তারক্কদবা পুম্বা মহাক্না পুরবনি। অদুনা থৌনা ফবা অমা ওইনা চোংথোরকপা হায়বসি থাগৎফম থোকই। কুমসি চহীগী পুরিবা চৈথাবা অসি মথংগী চৈরাওবা ফাওবগী মনুংদা পুবা থৌদাং অমনি। লৈবাক্কীদমক্তা মহাক্না পুরিবা থৌদাং অসিনা মরম ওইরগা মহাক্কীসু চেকশিন্না চৎপসু ওইরিবনি হায়খি।

# সী আর পি এফ পর্সনেল অমা শিরে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯: লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লাংজিংগী সী আর পি এফ কেম্পতা লৈবা পর্সনেল অমা য়ুমগী দলান্দগী তাবদা শোক্তুনা লাঙ্গোলগী শিজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদ্রে।

ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা য়ুমগী দলান্দগী তাবদগী শিজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুংদা নুমিদাংগী পুং ১০ রোম তাবা মতমদা লৈখিদ্রবা সী আর পি এফ পর্সনেল অদুগী মমীং শঞ্জিব কুমার রে (৩৫) অপোকপা চরন চন্দ্র রে কৌই। মহাক অসামগী ন্যু বঙ্গাইগাওনগী মণিকপুরদা লৈবনি। অশিবা হকচাং অদু রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্তেম তৌখ্রে।



HL-B/4534/16,18,20...

DELTA Tutorials
Kwakeithel, Imphal (near Kwakeithel Bazar)
BOSEM/COHSEM/CBSE
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. and Arts in Manipur
ADMISSION OPEN
Advance FOUNDATION
FEES
10% Concession for Govt. School Students
Class X & XII (Sc./Arts)
Starting from 23rd March 2018
5 months for Class X; 6 months for Class XII
(CBSE/COHSEM)
Special Free Coaching
for Class X appeared Students
for Class XI Sc. (COHSEM)
For details, please visit Delta Tutorials Office in between 10.00 am to 6.00 pm
Class Timing
4:30 - 7:30 pm
HL-B/4477/Feb-30Mar (Alt)

SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College (Children's Ideal High School)
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE for CLASS XII Sc. (COHSEM)
Class commencing on 5th April, 2018
Class timing : 4:30 pm - 7:30 pm
Faculty:
* Miss. Nonibala (Physics. COMET School)
* Sir. Sunil (Maths.Former Lec.COMET School)
* Sir. Suresh (CHEM. Former Lec. Extra Edge School)
* Miss. Leimathoi, (CHEM. MECI Explorer Academy)
* Maam. Radharani. (BIO)
* Sir. Oken. (English, MECI Explorer Academy)
Hostel & Van Service available
For more details : 7629855465 / 7005348862
HL-P/5033/Mar-6May